থম্মোয় পাউজম | হুইয়েন ইন্দু

# 'পি এফ আই'বু আইন্না য়াদবা লূপ'নি লাউথোক্লুবা

অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ পি এ) হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়ন লো অমা লৈ। ১৯৬৭, দিসেম্বর ৩০দা শেমখিবা। লো অসিগী মমিংসিনা তাকথোকচে- করিগীদমক শেমখিবনো? আইন্না য়াদবা থবক/থৌরমশিং পাঙথোকপা থিংননবা লো! ফত্তে, তৌগনু হায়বা থবক অসিমত্তবু হেয়া হেয়া তৌনিংবগী তেন্দেন্সি (পুক্লিং-ইথিল) অমা মীওইবা খুদিংমক্তা লৈ। অঙাং অমগী মতৌ-মরমচংতা য়েংবিয়ু। অফবনা করিনো? ফত্তবনা করম্বনো? তৌগদবা করম্বু তৌরোইদবা থবকশিংদু করিনো? হায়বনচিংবা, খুন্নাই অমগী চংনলোন (আইন/লো) অদু শেমদ্রিঙৈ, মীওইবনা পুক্লিংদা ফাওরকপা অপাম/পামদগী ইথিলদুনা ইনশিল্লগা, তৌনীংবা থবক তৌনীংবগী এনিমেল ইন্সটিঙ্ক অদু ঙসিসু মীওইবা খুদিংমক্তা মাঙদরি। চাউখৎলবা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওইবদা অদুগুম্বা এনিমেল ইন্সটিঙ্ক অদুনা ইনশিল্লগা পাঙথোক্লকপা থবক অদুবুনি 'অনলোফুল এক্টিভিটি'।

সেপ্টেম্বর ২৬, য়ুমশকৈশা নুমীৎ-ভারত সরকারনা, ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংনা মুসলমানশিংগী য়াইফনবগীদমকনি হায়দুনা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অমা (পোপ্যুলার ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া), অনলোফুল ওর্গনাইজেসন অমনি লাউথোকখ্রে। য়ু এ পি এগী প্রোভিজন মখাদা, আইন'না য়াদবা লূপ'নি হায়দুনা গভর্ণমেন্ট'না লাউথোকখিবসি, পি এফ আই থাদনা লূপ ৪২নি। মণিপুরগী লালহৌলুপশিং- য়ু এন এল এফ, পি এল এ, প্রিপাক, কে সি পি, কে ৱাই কে এল, এম পি এল এফ'নচিংবা পুম্নমক লোইনা য়াওরে। অসিদসু নত্তনা অসামগী য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম, ত্রিপুরাগী ওল ত্রিপুরা তাইগর ফোর্স, নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা, পঞ্জাবকী বব্বর খলসা ইন্টরনেসনেল, খালিস্তান কম্যান্দো ফোর্স, খালিস্তান জিন্দাবাদ ফোর্স, ইন্টরনেসনেল সিখ য়ুথ ফেদরেসন, জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী লাস্কর-এ-তৈবা, জইস-এ-মোহম্মদ, হরকত-উল-মুজাহিদ্দিন, হিজব-উল-মুজাহিদ্দিন, অল-উমর-মুজাহিদ্দিন, জম্মু এন্দ কাশ্মির ইস্লামিক ফ্রন্ট; তামিল নাদুগী লিবরেসন তাইগরস ওফ তামিল ইলমনচিংবা লালহৌলুপশিং পুম্নমক বেন তৌখ্রবা লূপ ৪২ সিগী মনুং চল্লি। অদুগা, মীয়াম্দি পোলিটিকেল পার্টি অমগুম্না খন্নবা- কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট), সী পি আই (মাওইষ্ট) অমসুং ইস্লামিক ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মানবা 'ষ্টুদেন্টস ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ ইন্দিয়া' (সিমি)... অসিনচিংবশিং অসিসু অনলোফুল ওইবা ওর্গনাইজেসননি লাউথোকপ্রবনি। অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট হায়বসি করিনো? এক্ট অসিনা করি হায়রি? হায়বনচিংবা লোয়র (উকিল)শিংনা খঙবদু নত্তবা মীচম ঐখোয়নসু খঙফম থোকপা ৱারোল কয়া লৈ। ১৯৬৭তা ইহান হান্না শেমখিবা লো অদুদগী ঙসি ফাওবা তরেংলক হন্না শেমদোকখরে- ১৯৬৯, ১৯৭২, ১৯৮৬, ২০০৪, ২০০৮, ২০১২ অমসুং ২০১৯দা। য়ু এ পি এ- লৈনা লৈনা ১৯৬৭তা, হেয়া তমথীবা, টেররিষ্টশিংগী থবক মায়োক্লুবা অমসুং লেপহন্নবা লো অমগা শেন্নস্মী- টেররিষ্ট এন্দ দিসরপ্টিভ এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট। কন্ট্রোভর্সিঅল ওইবা ৱাফম কয়া য়াওবা অমদি অচৌবা ৱাথোক কয়া থোক্লকপদগী এক্ট অসি হৌজিক্তি মুথৎখ্রে, চংনহনখিদরে। মী মরক্তা চংনহনফম থোক্তবা, উমং-ৱামংদা চংনগদবা জঙ্গল-লো অমনি হায়দুনা মীওইবগী হক কনবা, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট-লূপ কয়ানা কয়ারক হন্না হায়রসু, ৱাথোক কয়া থোক্ল'সু 'তাদ'দগী হেয়া তমথীবা 'আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট' (অফস্পা)বুদি রিপিল তৌবগী ৱাফম, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট'না ঙসি ফাওবা খন্নদ্রি।

ঙসিদগী চহী ১৫ মুক্কী মমাঙদা (২০০৬, নবেম্বর ২২দা) খা-ভারতকী মুস্লমান লুচিংবশিংনা চাউইবা লূপ অহুম (নেসনেল দিভেলপমেন্ট ফ্রন্ট, কর্নাটকা ফোরম ফোর দিগ্নিটি অমসুং মনিতা নীতি পশরাই) পুনশিন্নদুনা অনৌবা লূপ অমা শেমখি। 'পোপ্যুলার ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া' (পি এফ আই) হায়না মিংথোনখি। লূপ'তুগী ময়াং লোইশঙ 'ন্যু দেল্লী'দা ওইখি। অব্দুল সলাম'না চোরমেন, অব্দুল রেহমান'না ভাইস-চোরমেন, অনিস অহম্মদ'না জেনরেল সেক্রেটরি'নি। আইন'না য়াদবা লূপ অমনি লাউথোকপ্রবা 'ষ্টুদেন্টস ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ ইন্দিয়া' (সিমি)গী অনৌবা লাংওল অমনি ঙাঙনখিবা 'পি এফ আই'। কেরেলা অমসুং কর্নাটিক'দা আর এস এস অমদি পি এফ আইগী এক্টিভিষ্টশিংগী মরক্তা তন্তনা খুৎ থোক্লা খৎনবগী থৌদোক থোক্লকখি। পি এফ আইগী থৌমীশিংগা টেরর-ওর্গনাইজেসন অমদি টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনরম্লা, লৈপাকসিগী আইন'না য়াদবা অমসুং নেসনসিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বনচিংবগী রিপোর্ট নেসনেল মীদিয়া অমসুং সোসল মীদিয়াদা ফোঙনরক্লিবা কুইরক্লে। নহা ওইরিবা মুস্লমানশিংদা লাস্কর-এ-তৈবা, আই এস আই এস, অল-কাইদানচিংবা টেরর-আউটফিটশিংদা য়াওহন্নবগী থৌরাং-থৌশিল য়াৎলম্বা, বিহারগী মফম খরদা খুৎলায় পায়দুনা টেররিষ্ট ওইহন্নবা ট্রেনিং সেন্টর লিংখৎলম্বগী পাউ তাখরে। মীরৈবাক্তগী য়াম্না শেনফম, থবকশিং অসি পাঙথোক্লুবগী মতেং পীরকই হায়বা সরকারগী ৱাফম্দা পি এফ আইনা শেনফম অদু মুস্লমানশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংনা থাগৎখিবা শেংদোকই।

সেপ্টেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা, নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সী, এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অমদি পুলিস ফোর্স অহুম খুৎশমদুনা ষ্টেট ১৫দা পি এফ আইগী সেন্টর কয়াদা 'রেইদ' চথরবদা মরুওইবা, চেনবা য়াদবা দোকুমেন্ট কয়া ফাগৎপদগী লূপ অসিগী থৌমী ২৫০ রোম ফাবগা লোয়ননা, লূপ অসি য়ু এ পি এগী মখাদা চহী মঙা আইন্না য়াদবা লূপ অমা ওইরে হায়না লাউথোকখি। গেজেৎ নোটিফিকেসন থোকখি।

অঙকপনি, ইন্দিয়া! ওপোজিসন পার্টিশিংনা লাউরকই- পি এফ আইবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন'নি হায়বা তারবদি 'আর এস এস'পুসু অনলোফুল ওই হায়রোইদবগী মরম করি লৈ?

লৌশিং পুক্কে

# চাংচত্তা মীয়ায় চল্লবা

## নুপাশিংদগী নুপীশিংনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেল্লি



হীরম কয়াদা নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। পাঙ্গল কনবা, লৌশিং লৈবা অমদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায়সু নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলে। নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) গী রিপোর্টনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা নুপী খুদিংমক নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় তপ্না তপ্না হন্থরকই। নুপী খুদিংমক থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা তোয়না কাউগনবা অমসুং ৱাখল চমন্নবা হেক হেক পোক্লকই। মসিগীসু মথক্তা ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকপগা লোয়ননা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

পুম্নমক অসি ওইদুনসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়না নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ভেনকোৱরগী য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াদা রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, চাং নাইনা এরোবিক এক্সরসাইজ তৌবা মীওইশিংদি অহল ওইশিল্লক্লগা ৱাখল খনবা ঙম্বা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙদে।

কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিংদগীদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলকখি। মসিগীসু মথক্তা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংগী ব্লদ প্রেসর হন্থরকপা থেংনখি। ব্লদ প্রেসর কা হেন্না ৱাংদুনা লৈবা তারবদি ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোকপদগী দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপা য়াই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্লিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহনবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙমখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী টেরেসা লিয়ু এমব্রোসনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌবনা মেমোরি প্রোব্লেমগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লে। অদুবু মাঙজৌননা প্রোব্লেম মায়োক্নরবা মীওইশিংদা ফীভম হেঞ্জিলহন্দবা ঙম্বরা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মীওই ৭০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্লিং ৱাখলগী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী হায়বা খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা 'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, ক্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রোবার্ট হেবেকিসনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, তূম্বগী চাং ৱাৎলবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। পুং ৫ রোম তূম্বগী চাং ৱাৎপা মতমদা হকচাং চোকথরকই, ইথৌদা পূক্লিং চঙবা ঙল্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখি। ব্রেনগী হিপোকেম্পস রিজনদা ন্যুরোনশিং অমগা অমগা শম্নরক্তবা মরম্না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙল্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই হায়রি।

নীংশিংবগী মতিক ময়ায় হেনগৎহন্নবগীদমক্তদি মপুং ফানা তূম্বা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা নুংথিল ঙাইহাক্তং মীৎকপ অমত্তং ওইরবসু তূম্বা মতমদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোরক্তুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। পুম্নমক অসি ওইদুনসু চাংচৎতা মীয়ায় চল্লকপা নুপাদগী মীয়ায় চল্লকপা নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি।

নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটিগী জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা হায়খি, চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা নুপাদগী নুপীনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেল্লি। নহা ওইরিঙৈদা নুপানা নুপীদগী সেক্স্যুল্লি এক্টিভ ওইবা হেল্লবসু অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা নুপীনা নুপাদগী হেল্লি।

ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা লুচিংবা রিছার্চরশিংনা ফিমেল সেক্সুয়েল ফঙ্কসন ইন্দেক্স অমসুং ফিমেল সেক্সুয়েল দিষ্ট্রেস স্কেল শীজিন্নদুনা ষ্টদি চথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা চাংচৎতা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপা ১৫০০ দা ষ্টদি চথরম্মী। মদুদা নুপী অয়াম্বা হাইপো এক্টিভ সেক্সুয়েল দিজায়র দিসফঙ্কসন মায়োক্লবা থেংনরম্মী।

'দ ইভোল্যুসন ওফ দিজায়র: ষ্ট্রেটিজিজ ওফ হ্যুমেন মেটিং' ইখিবা দেবিদ বসনা হায়খি, নহা ওইরিঙৈদা নুপানা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেনবগা লোয়ননা নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা ফাওরকপা হেল্লবসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদদি নুপীনা নুপাদগী হেল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্লুবগীদমক ওষ্টিনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী রিছার্চরশিংনা থিজিন্নবা হোৎনরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লায়রবগী চৈথেং ফংলিবা ওইনাম মমাঙ তুরেল ৱাংমদা লৈবা ওইনাম মনিদা অমুকোগী থৌমীশিংনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস)

ওইনাম মমাঙ তুরেল ৱাংমদা লৈবা লায়রবগী অৱা চৈথেং ফংদুনা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা ওইনাম মনিদা ঙসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী থৌমীশিংনা তেংবাঙখ্রে।

ওইনাম মনি কৌবা মীওই অসি হিংনবগী পুন্সিদা লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা য়াম্না ৱানা খাঙদুনা লৈরে হায়বগী পাউ অমা ফেসবুক্কী খুথাংদা খঙলকপদগী অমুকোগী থৌমীশিংগা লোয়ননা সেক্রেটরি জেনরেল ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোমনা লুচিংদুনা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা ওইনাম মমাঙ তুরেল ৱাংমদা লৈবা ওইনাম মনি হায়রিবা অসিগী ইমুং-মনুং অমদি য়ুম-কৈ য়েংশিল্লুরবা মতুংদা ইমুং অসি য়াম্না ৱানা পুন্সি লেল্লিবা ইমুং অমা ওইরম্বদা নত্তনা য়ুম পুরিবা য়ুম্থুরেল অদুগী মখোঙ নাম্মাসু চিংদুনা য়াম্না অৱাবা ফীভম অমদা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। অসিগুম্বা য়াম্না ৱানা খাঙদুনা লৈরল্লিবা ইমুংগী ফীভম অসি উবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবগী পান্দমদা অমুকোগী মায়কৈদগী চেঙ বেগ ২গা লোয়ননা অঙন্বা শেনফম খরসু মতেং পাংখি হায়রি।

ঙসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না ওইনাম মমাঙ তুরেল ৱাংমদা লৈবা ওইনাম মনিগী ইমুং-মনুংদা তেংবাঙখিবদু লূপ অসিনা পরিং নাইনা চথরকপা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংবগী থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি হায়রি।



# এম ৱাই সী ওগী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এম ৱাই সী ও)গী ২৩রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পোরোম্পাৎ থৱাম্থাবা লৈকায়দা লৈবা এম ৱাই সী ওগী রিহার্সেল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রঙ্গনিকেতনগী চ্যেরমেন অজিৎদাসনা অথোইবা মীথুং, এম ৱাই সী ওগী প্রসিদেন্ট এম ইবোপিশক্না থৌরম মপু, খেঞ্জোংলাংগী দিরেক্টর ডা. এস থানিল লৈমা, এন এস দি অমদি এস এস বিগী রিটায়র্দ এসিষ্টেন্ট কম্যান্দেন্ট থাংজম তোম্বা অমদি ১০-তোপ নাওরিয়া জিলা পরিষদ মেম্বরগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট জিবন খুন্দোংবমনচিংবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম ৱাই সী ওগী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এম ৱাই সী ওগী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা থবক তৌবদা ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি শাগৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা খুৎলায়দি আর্ট এন্দ কলচর অসিনি। লম অসিদা চৎলগা মীয়াম্বু অমত্তা ওইনা শাগৎপগী লীচিং অদু পুরকপা ঙমগনি খনবদগী কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এম ৱাই সী ও) অসি লিংখৎখিবনি। ঙসিদি নহা কয়া অমা আর্টকী লমদা খোঙ থাংজিল্লক্তুনা লমদম অসিবু শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। এম ৱাই সী ওগী প্লে কয়াসু হৌখিবা চহীশিংদা তোঙান তোঙানবা ঠিএটরশিংগী কম্পিটিসন্দা শরুক য়াদুনা মনা কয়া লৌরকপা ঙমখ্রে হায়খি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্পা, শুমাং লীলাগী ষ্টেট এৱার্দী পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মাদা অচম্বা খুদোল তমখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩। ১০। ২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
মেরাগী ৮ পানবা।

মেষ: নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জবা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবা অমদি নীংহন্নদবগী কান্নজবা নুমিৎনি। মীয়ামগদি মরী ফরোই, চরাঙনবনা লন চৎপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: পুক্লিং ফাথনা লৈবনা খোয়রাংবা ফাথবা ঙমগনি অমদি মরম চাবা য়েংনা খুৎ থাবা ঙমগনি। অনম তানবদি য়াদবা নুমিৎনি, মরুপ মপাং লোয়নবদা নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: নীংবা থুংগনি, লেঙদবা লন চাওখৎকনি, অনৌবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুনু। অশাওবা উৎথোক্তবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: হকচাংসু নুংঙাইরে, মীয়ামগসু মরী ফরে, অঙন্বনসু চানবীরনি, লৈজবা লৌশিংতা নত্তনা অহেনবা তানশিনবসু ঙমগদবা নুমিৎনি। লাঙতক্লবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: খাঙবা কনবগী মহয় ফংবা, ইমুং-মনুংগী ৱা য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি, নঙগী থাজবা মীশিংগী মতেং শোয়দনা ফংজগনি। লৈঙাক্কী লমদা ময়েং তাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কন্যা: ৱা য়ামগনু, অরং-অরাক চেকশিল্লু, অখঙ অহৈ তান্নরগা পোরম শীল্লু। হোয়া ফবনা মরুপ মপাং নুংশিনরোই, চরাঙনরদি ফংবা য়াবা পনগনি- তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: লাইবক ফবা হেনবা, শেন্দোং চাওনা তানবা য়াবা, ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমিৎনি। কল্লকপা অমদি য়েংশিনবা য়াম্মী, থৌপাঙবদা শোয়দনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: লম চৎপদা কান্নবা ফংগনি, অফবা অমদি অচুম্বা লৌশিংসু ফংজগনি। লেঙদবা লন অমদি নচা-ননাইগী লমদা চাওখৎকনি। ইমুং-মনুং অমদি মীয়াম্না চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: লাইবক থোইনা ফবা, পুক্লিং পেন্না ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি থৌনা লিংজেল ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। ৱানোম থৌনোম কান্নবগী নুংঙাইজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: চোপ্পা ঈকায়বা নংবা য়াবা নুমিৎনি-ৱা য়াম্না ঙাংগনু অমদি শাওগৎকনু। মীগা পুন্না থৌপাঙবদি খরা ফগনি। খাঙবা কনবা অমদি ফিংদবনা য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: য়েক্লববু ঙমজদুনা ওইজ-ওইথক ফংগনি, নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি অদুনা মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: থবক চীং লেম্না পাঙগনি, নচা-ননাইগী মতেংসু ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি-নীংথিনা খন্থরগা অরুবা থবক্তা খুৎ থাবা য়াগনি। য়েক্লবদি লৈ অদুনা নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ফেরজোলদা অমদ্দাগী অনৌবা ওফিস অমা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা চাক চানিংঙাই লৈতবদগী লৈত-লায়রা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরক্তুনা অহানবা অমদি অনীশুবা নুপীলাল থোকখিবগী পুৱিরী লৈরিবনি। থায়নাগী ইপা-ইপুশিংনা হায়বীরম্বা চানবা লৈতে তখেলথাং হায়বদু তারক্কদৌরে। মরম অসিনা লমদম অসিগী চানিং-থক্লিংঙাই লৈত্রবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা শেৎলগা চানরক্ত্রিঙৈদা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা, তোল্ল-তারবশিংনা ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তারে হায়না ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (অমদ্দা)গী প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী রমথাদা অমদ্দাগী ফেরজোল ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না দলিটশিংদা পীরিবা হীরম কয়াগী খুদোংচাবশিং অদু মণিপুরগী মীয়াম অমদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদসু ফংহনবীয়ু। মণিপুরগী সেনাপতি, কাংপোকপী নোনেদা অমদ্দাগী ব্রাঞ্চ ওফিসশিং হাংদোকখ্রে। মখা তানসু অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু এসোসিএসন অসিগী অনৌবা ব্রাঞ্চ হাংদোক্লবা হোৎনরি। অমদ্দানা লৈবাক অসিগী দলিটশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদু মণিপুরগী দলিটশিংদসু ফংহন্নবা চহীসিগী লাক্লিবা দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লগনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমদ্দাগী ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট ওফিসল হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী চীফ কন্ট্রোল্লর এন ইবোচৌ, এদভাইজর মোইরাংথেম সোরোজিনি লৈমা, অমদ্দাগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল্লরশিং সী ঐচ বেনৱাংবো, অঙাংবৌ চৱাং, সী ঐচ অসাবৌ অমসুং ফেরজোল ভিলেজ ওথোরিটি, অমদ্দাগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং, মার য়ুথ এসোসিএসন, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মার ৱিমেন এসোসিএসন ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মরুওইবা থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না অমদ্দানা মণিপুরদা লৈরিবা দলিটশিংগীদমক পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু তরেৎ তরা থোক্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

# মিস আইৱা ২০২২ ফর্ষ্ট রন্নর অপ তারকখ্রবী অলিশ মোইরাংথেম মহাক্কী পোক্লফমগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস)

কেন্সর এৱ্যের্নেসতা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা সেপ্টেম্বর ২৪দা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মিস আইৱা ইন্দিয়া ২০২২দা ফর্ষ্ট রন্নর অপ তারকখ্রবী অলিশ মোইরাংথেমবু ঙসি মহাক্কী পোক্লফম লমদমগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

মিস আইৱা ইন্দিয়া ২০২২দা ফর্ষ্ট রন্না অপ তারকখ্রবী অলিশ মোইরাংথেম অমদি বেষ্ট কষ্ট্যুম দিজাইনর প্রবিনা মাইবমনা ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম ৱাংজিংগী মীয়াম অমদি লমদম অসিগী মশক নাইরবা আর্টিষ্ট কয়া য়াওনা ওকপগা লোয়ননা মহাক্কী য়ুম তম্না চৎখি। মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মিস আইৱা ইন্দিয়া ২০২২ কন্টেষ্টতা ফর্ষ্ট রন্নর অপকী টাইটল ফংখ্রবী অলিশ মোইরাংথেম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ৱাংজিং বজারদগী মোইরাংথেম শান্তি অমদি মোইরাংথেম ওংবী শকহেনবী লৈমগী মচানুপানি।



ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মিস আইৱা ইন্দিয়া ২০২২গী ফর্ষ্ট রন্নর অপকী টাইটল ফংখ্রবী অলিশ মোইরাংথেমনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা কন্টেষ্ট অমা থোকপা হায়বসিতবু মীয়াম্না শেল কয়া ফংলকই হংবীরকপা য়াওই। অদুবু অসিগুম্বা কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়ারিবসি শেলগীদমক থোকপদি নত্তে। কেন্সর হোস্পিটালদা চৎতুনা মতেং পাংবা চৎপদা কেন্সর পেসেন্টশিংবু ৱাখল নুংঙাইহন্নবা এৱ্যের্নেস পীবগা লোয়ননা মখোয়দা পূক্লিং থৌগৎপগীদমক অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা শরুক য়াবনি।

কন্টেষ্ট অসি শরুক য়ারুবা মতমদা তাকপী-তম্বীরকপা ওজাশিংনসু মণিপুরদা হল্লবা মতুংদা কেন্সর পেসেন্টশিংদা মতেং পাংলুনবা ৱাফম কয়া তাকপীরকখি। ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মিস আইৱা ইন্দিয়া ২০২২দা ফর্ষ্ট রন্নর অপকী ক্রাউন অমা পুদুনা লাক্লিবসি রেস্পোন্সিবিলিটি অমগা লোয়ননা লাকপনি। মখা তানসু কেন্সর পেসেন্টশিংদা মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনজগে। লৈবাক মীয়াম্নসু মখোয়গীদমক পাঙথোকপা য়াবা অমদি পাংবা য়াবা মতেংশিংগী মরমদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং পাউতাক পীবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মোদেল্লিংগী লমদা অমদি শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ওকখিবদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, নুপী ওইবীশিংনা মতম পুম্নমক্তা মহাক-মহাক্না পামজরিবা থবকশিং অদু চহী য়াম্বা য়ামদবা থিদনা হোৎনবীবা চঙই। মদুনা পাম্না চৎলিবা লম্বী অদুদা মায় পাকপা ওইগনি। লমদম অসিগী নুপীশিংনা লম খূদিংদা ইরমদমগী মায় পুরকপা ঙল্লিবসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি হায়খি।